# ত্রিনামুলগী টিকেট লাওথোকপদগী পেন্নদবদগী
# ফিরাল অমদি মমতা ফেষ্টুন মৈ থাখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জনুৱারী ১০:* মণিপুর প্রদেশ ত্রিনামুল কংগ্রেস পার্টিগী মীরেপ ওইননবা টিকেট থারকপা ফংহৌদবশিংনা ত্রিনামুলগী কৈশাম্পাৎ সেগা রোদ টিদিম রোদকী হোটেল এক্সিলেন্সিদা লৈবা ওফিসতা থোমজিল্লকখ্রে। পার্টিগী ওফিস থুগায়খ্রে, ওফিসতা থেৎপা ফিরাল অমদি মমতাগী ফোটো য়াওবা ফেষ্টুন চিংথদুনা ওফিস মমাংদা মৈ থাখ্রে। গো বেক ত্রিনামুল কংগ্রেস, গো বেক মমতা বেনর্জি, দাউন-দাউন ত্রিনামুল কংগ্রেস হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাওখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১১.২০ রোম তাবদা থোংজু কেন্দ্রদা ত্রিনামুল কংগ্রেসতা মীরেপ ওইবা য়ারে হায়বগী সেন্টরদগী এপ্রুভেল লৌনবা মণিপুর প্রদেশ ত্রিনামুল প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কিম কাংতেনা লাওথোকখিবা কেন্দ্র ১৮ গী মীরেপ ১৮ গী লিষ্টতা য়াওখিবা থোংজু কেন্দ্রগী কে মঙ্গি সিংহ (মণিপুর সরকারগী প্লানিংগী দাইরেক্টর ওইরম্বা) গী ৱার্কর কয়ানা হোটেল এক্সিলেন্সি মথক্তা লৈবা ত্রিনামুল কংগ্রেসকী ওফিস থুগায়বা, ওফিসতা থেৎপা পার্টিগী ফিরাল চিংথবা, মমতাগী পোষ্টর শেগায়বা অমদি মণিপুর প্রদেশ ত্রিনামুল কংগ্রেস হায়না থাবা ফেষ্টুন শেগায়বা, পার্টিগী ফিরালশিং অমদি সিম্বোল য়েকপা ছাতিনশিং ওফিস মমাংদা টিদিম রোদ ময়ায়দা পুথোক্তুনা মৈ থাখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট পুসিলকী ও সি লাক্তুনা ইরাং হৌরম্বা মীয়াম্বু তানখায়খি।

অদ্রো কেন্দ্রগী এমএলএ শ্যামকুমারসু থৌদোক থোকফমদা লাক্তুনা করিগুম্বা পার্টিগী টিকেট পীবদা অরানবা তৌরম্লবদি মহাক মশামক পার্টি অসিগী টিকেটতা মীরেপ ওইরোই। টিকেট পীবদা অরানবা য়াওব্রা হায়বদু খঙদোক্লবা পার্টিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট অমসুং পার্টিসিগী ওবজার্ভর য়াওনা পুন্না মীফম পাঙথোক্কনি হায়না মীয়ামদা হায়রল্লগা প্রসিদেন্ট অমসুং ওবজাভর পুখ্রগা মফম খঙদনা মাংখি।

কে মঙ্গিগী ৱার্কর অমদি সপোর্টর কয়ানা ত্রিনামুলগী ওফিস থুগায়বা অমদি মৈ থাদুনা পাউমীশিংদা ফোংদোরকখিবদা মণিপুর প্রদেশ ত্রিনামুল কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট কিম গাংটেনা ১৩- শিংজমৈদা ৱাই খেমচান্দ, ১৪-য়াইস্কুলদা হরেশ্বর গোস্বামী, ১৬-সেকমাইদা ঐচ ডিঙ্গো সিংহ, ১৭-লমশাংদা রঘুমণি, ১৮-কোন্থৌজমদা এম এল এ- কে শরত, ১৯- পাৎশোইদা এম এল এ- এস কুঞ্জকেশ্বর ( কেবা) , ২০- লংথবালদা এ বিরেন্দ্র, ২১- নাওরিয়া পাখঙলাকপাদা কে রোজেনকুমার, ২২- ৱাঙ্গোইদা ও লুখোই, ২৬- বিষ্ণুপুরদা এক্স-মিনিষ্টর কে ঐচ জিবোন, ২৮-থাঙ্গাদা টি রোবিন্দ্রো, ২৯-কুম্বীদা ডা: খাঙেম্বম মেঞ্জর , ৩০-লিলোংদা এমদি অলাউদ্দিন, ৩১- থৌবালদা একে মংলেমজাও, ৩২-ৱাংখেমদা এমদি অব্দুল কডির, ৩৪-ৱাংজিং তেন্থাদা শগোলসেম ইবোচৌবী সিংহ, ৩৫-খাঙবোকতা টিঐচ জিবন, ৩৬-ৱাবগাইদা ডা: উসম দেবেন, ৩৮-হিয়াংলমদা এক্স-মিনিষ্টর এম কুঞ্জো, ৪০-জিরিবামদা এক্স-মিনিষ্টর এ বিরেন, ৪১-চান্দেলদা সেলানকি, ৪২- তেংনৌপলদা ঐচ শোখোপাও মাতে, ৪৪-উখ্রুলদা শোমাতাই সাইজা ( সোসো), ৪৫-চিঙাইদা নিংখামলেন শিম্রে, ৪৬-সাইকুলদা এক্স-মিনিষ্টর সি দোঙ্গেল, ৪৮-মাওদা ৱোবা জোরাম, ৪৯-তদুবীদা এ সোলোমোন ইনাহ, ৫০-কাংপোকপীদা খর্গা বহাদুর তমাং, ৫১-সাইতুদা এম এল জোন, ৫২-তামৈদা এক্স-মিনিষ্টর দি পি পানমৈ, ৫৫-টিপাইমুখতা রিমসকী হান্নগী ডিরেক্টর দা: এল ফিমাতে, ৫৭-হেংলেপতা এক্স-ডিপ্যুতি স্পিকর টি টি হাওকিপ, ৫৮-চুড়চান্দপুরদা সোংলেনলাল, ৫৯-সাইকোটতা লুনখোলাল লুংদিম অমসুং ৬০-সিংহাটতা এক্স-মিনিষ্টর হংখানপাউনি।

পনবা য়াবদি, হন্দক্কী মীখল অসিদা সরকার পায়রিবা ইন্দিয়ান নেস্নেল কংগ্রেসকী মথংদা মীরেপ খ্বাইদগী য়াম্না থাদোক্তুনা মীখল থেংনবা অনিশুবা পোলিটিকেল পার্টি অসি ত্রিনামুল কংগ্রেসনা ওইরে। কংগ্রেসতি সিট ৬০ মক্তা মীরেপ থাদোকখ্রবনি।